**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈবা বিষ্ণু টেম্পলবু মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা অমসুং নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা সভাদা তকশিনখ্রে।

২) ট্রান্সপোর্টকী এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপাইনা হায়রি- মীচম মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা হেন্না খুদোং চাহন্নবগীদমক রাজ্য অসিগী ট্রাসপোর্ট সিষ্টেমদা এম এস টি বস সার্ভিস হাপবা সরকারগী থৌরাং লৈরে।

৩) হাই স্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এগজামিনেসন অমদি হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা মাই পাকখ্রবা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ফায়র সব-স্তেসন অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা নিংখা তম্বগী চংশিল্লকপা খোঙজংদা বন্দে মাতরমগী মন্ত্রনা মীয়ামদা থৌনা অমদি শক্তি পীবগা লোয়ননা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবগী ব্রাখল্লোন পোকহনখি।

------

সনাজাউবা (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈবা বিষ্ণু টেম্পল, মীয়ামা ব্রিক টেম্পল হায়রগসু খঙনবা লাইশঙ অসিবু মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা অমসুং নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থন্বীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা সভাদা তকশিনখ্রে।

ঙসি ফমখিবা সংসদকী মীফমগী জিরো অৱারদা বিষ্ণু টেম্পলগী ৱাফম অসি পুখৎলদুনা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- লাইশঙ অসি রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী লীরবা লাইশঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। লাইশঙ অসিমক ভগবান বিষ্ণুদা কৎথোক্লবা লাইশঙ অমনি। লাইশঙ অসি ইং কুমজা ১৪৬৭ দগী ১৫০৮ এ.দি. ফাওবা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা পানখিবা নিংথৌ ক্যাম্বগী মতমদা শাখিবনি। মহাকা হায়- লাইশঙ অসিনা মণিপুরগী ওইনা ভারত সরকারগী অর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ.এস.আই)গী মখাদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা হিষ্টোরিকেল মন্যুমেন্ট অমসু ওইরি। অসিগুম্বা মখলগী তাংলবা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট অসিদা এ.এস.আইনা হেন্না মীৎয়েং চংহন্নিংই। লাইশঙ অসিবু য়োকখৎনবা অমদি মালেমগী লমকোইবশিংগী পুকিং শুমহৎনবা য়েংশিন্নবা মী থমদুনা শেন্নবা তঙাইফদে।

ট্রান্সপোর্ট (এল)ঃট্রান্সপোর্টকী এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপাইনা হায়রি- মীচম মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা হেন্না খুদোং চাহন্নবগীদমক রাজ্য অসিগী ট্রাসপোর্ট সিষ্টেমদা এম এস টি বস সার্ভিস হাপবা সরকারগী থৌরাং লৈরে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোপ দুসেরাদা লৈবা আই.দি.টি.আর.সিদা রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিন্দুনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী দ্রাইভরশিং অমদি কন দক্তরশিংগী ওইবা রিফ্রেসর কোর্স হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী বাজপাইনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা মীয়ামগী চখোক চৎশিনগী মরুওইবা উপাই ওইরিবা ট্রান্সপোর্টকী মপাঙ্গল কনখৎনবা হায়বসি সরকারগী চপ চাবা ফিরেপনি। মীয়ামগী মপুং ওইনা গারি লৈজদবা মীচম মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা শেল চংদনা মফম অমদগী অমদা চৎনবগী উপাই অদু বস সার্ভিসনা পীরি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মণিপুর খব্বী নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবা ওইগনি। ষ্টেট

অসি মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা মতম শাংনা বস সার্ভিস অসি পীবা ঙমদনা লাক্লী। বস সার্ভিস অসি মীচম মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাবা পীবা অহোংবা মখলগী সর্ভিস ওইরি। মরম অসিনা বস সার্ভিস অসি ত্রাসপোর্ট সিষ্টেমদা হাপবগী থৌরাং তৌবনি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না দ্রাইভরশিং অমদি কন্দক্তরশিংদা মতমগী মতুং ইন্না ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম য়াওনা অনৌবা মখলগী গারিশিংদা লাক্লীবা অহোংবা কয়া অসি খঙহন্নবগীদমক নুমিৎ হুমি চুপা চথুগদবা রিফ্রেসর কোর্স অসি পাঙথোকপনি। রাজ্যগী ত্রান্সপোর্টকী দ্রাইভরশিং অমসুং কন্দক্তরশিংগী ওইবা ফ্রি রিফ্রেসর কোর্স অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা মরম কয়ামরুম লৈ।

গভর্নর (এল)ঃ   মণিপুর হোক্কি এসোসিয়েসনগী সি.ই.ও- এম. প্রমেশ্বরনা লুচিংবা মীওই মরিনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী রাজ্য অসিদা হোক্কি চাওখৎহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

মাষ্টেক (এল)ঃ  হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা থা অসিগী ৬ তা কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হৌদোকখিবা ১১ শুবা ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল সাইন্স ফেষ্টিভেল ২০২৫ দা রাজ্য অসিগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী সেক্রেতরি শ্রীমতি কেঙু জ়রিংলা, সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী এদ্দিসনেল সেক্রেতরি অমসুং দাইরেক্তর শ্রীমতি চীংঙাখম সচি, মাষ্টেক্কী দাইরেক্তর ডাঃ কে.ঐচ. রাকেশ অমসুং মাষ্টেক্কী সেনিয়র সাইন্তিফিক ওফিসার সি.ঐচ. শরত শরুক য়ারি।

নুমিৎ মরিনি চথুগদবা সাইন্স ফেষ্টিভেল অসিদা সাইন্স-টেকোলোজি-দিফেন্স-স্পেস একজিবিসনদা রাজ্য অসিগী ষ্টোলদা মাষ্টেক অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী থবক থৌরমশিং, টেকোলোজি দেমোন্সত্রেসন,

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট, ৱিমেন্স ইম্পৱারমেন্ট অমসুং সাইন্সপু মীয়ামদা হেন্না পামহন্নবগী মতাংদা উৎলি।

ইজ্‌কেসন (এল)ঃ হাই স্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এগজামিনেসন অমদি হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা মাই পাকখ্রবা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইদ্যুকেসন(এস)না শিন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইদ্যুকেসনেল রিছার্স এন্দ ত্রেন্নিংগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্রনা হায়- রাজ্য অসিদা শিক্ষাগী লম অসি ফগৎহনবদা দিপার্টমেন্ট খক্তনা হোৎনবনা ওইথোকপা য়ারোই। মরম অসিনা শিক্ষাগী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক মহৈরোইশিংগী মমা মপাশিং য়াওনা মীয়ামা সজেসন য়াওনা হেন্না ফগৎহন্নবা তেংবাংশিং পীবা চংই।

ফায়র(এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না শওম্বুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ফায়র সব-স্তেসন অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ- খোঙবান্তাবম ইবোমচানা হায়- মফম অসিদা মতম কয়াগী মমাংদগী ফয়ার সব-ষ্টেসন অমা থন্বা অসি মীয়ামগী অপাম্বনি। মসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা অসিনা লমদম অশোমগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দাইরেক্তর এল.নবচন্দ্রনা হায়- ফায়র সর্ভিস অসি মৈ চাকপা কন্নবা খক্কীদমক লৈবা নত্তে ।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না শওম্বুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ফায়র সব-স্তেসন অমা ঙসি শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী নবচন্দ্রনা মখা তানা হায়- ফায়র সর্ভিসকী মাইকৈদগী

মীওইবগী পুনশি অমদি লন থুম কন্নবগীদমক্তসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঙসি হাংদোক্লিবা ফয়ার সার্ভিসকী সব-ষ্টেসন অসিনা মৈহৌ লাংপোক য়াওনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুম কন্নবগী থৌদাংশিং অদু মাইকৈ অশোমগী মীয়ামগীদমক লৌবা ঙম্লগনি। রাজ্য অসিগী ওইনা ভিলেজ ফয়ার সার্ভিসকী কমিতি অমা শেমবা থৌরাং লৈরে। মসিগী মকোকা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা ওইগনি। ফয়ার সার্ভিস খক্তনা মীয়ামগী পুন্সি, লন থুম অমদি হৈহৌ লাংপোক কনবা ঙমদবনিনা কমিতি অসিনা মীয়ামগা খুৎশিমনা চৎমিন্নদুনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা হোৎনগনি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনর ডা.নিবেদিতা লাইরেনলাকপম য়াওনা মরী লৈনবা ভিবাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমদি স্তাফশিং শরুক য়াখি।

দ্রাইভ(এল)ঃ ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মতেংগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ এম.এস.এম.ইগী স্কিম অমা ওইরিবা রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স (রেম্প)কী মখাদা উদয়ম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইভ অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী জিলাগী ইরৈমা লাইফম ওইনাম মমাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। দ্রাইভ অসি রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি ষ্টেট নোদেল এজেন্সি, মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্তর বিষ্ণুপুরগা খুৎশমদুনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্তর, বিষ্ণুপুরগী জেনেরেল মেনেজর ঐচ. করুনানা হায়- লাইরিক মতিক চানা হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়ানা মাগী মাগী হৈজবা শিনফম অমমম পায়বা ঙমবা অমদি সরকারগী মাইকৈদগী মতেং ফংনবা লোয়ননা থবক ফংদবগী অৱাবা অসি কোকহন্নবা উদয়ম রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অসি য়ামা তঙাইফদে।

লৌমী (এল)ঃ এগ্রো সষ্টেনেবিলিতি ইন মণিপুর হায়বা হিরমদা ৭ শুবা লৌমীশিংগী পোইনু মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইরাবত ফাউন্দেসন

মণিপ্‌রনা শিন্দুনা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খুঞ্জামযুম ওপেন লুৱাং য়াওনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা খনগৎলবা লৌমী ১৭ তা খুদোলপোৎ অমদি মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

চুরাচান্দপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা ফিয়ার প্রাইস সোপশিংনা নফসা অমসুং পি.এম.জি.কে.এ.ৱাইকী চেং য়েন্থোকপগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগা মরী লৈননা মরিক চুম্বা ৱাফম খঙহল্লকবা রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা খঙহনখ্রে।

বিভাগ অসিগী চেরোল অমনা হায়- নফসা অমসুং পি.এম.জি.কে.এ.ৱাইগী চেংশিং চেদা লৈবা রিপোর্টতা চাদা চামা য়েনখ্রে হায়রবসু তোঙান তোঙানবা বেনিফিসরিশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা চেং ফংদে হায়বগী ৱাকৎ লাক্লি। মরম অসিনা হিরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা রিপোর্ট অমা অথুবা মতমদা পীখৎলকবসু চেরোল অদুদা পল্লি।

নোনে (এল)ঃ ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা শিন্দুনা নোনেগী লুৱাংরেং নুংনাং পার্ট ৱানদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোকখিবা লেমা লায়েংবগী কেম্প লোইশিনখ্রে। খুল অসি নোনে জিলাগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মনুং হঞ্জিনবা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংদবা মফম ওইরি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৪৫১ রোমগী হকচাংগী অনাবশিং লায়েংখি। কেম্প অসিগী শরুক অমা ওইনা হেলথ কার্দ ৫৯ শাখি।

সেনাপতি (এল)ঃ  বরাক ফেষ্টিভেল ২০২৫ গা মরী লৈননা সেনাপতি বরাক হাফ মরাথোন ঙসি সেনাপতিদা লৈবা এষ্ট্রো-টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। রন ফোর হারমোনি হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা মরাথোন অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতি, সেনাপতি পুলিস, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি অমসুং সেনাপদি মেদিকেল দিপার্টমেন্টকা পুন্না খুৎশমনা শিনবনি। মরাথোন অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলেনা লমথাখি। কাংলুপ অহুম থোকা পাঙথোকখিবা মরাথোন অসিদা মীওই লিশিং ১ রোমা শরুক য়াখি অমসুং মকোক মথং তারবা মীওইশিংদা মেদল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ৱিমেন (এল)ঃ   সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস, প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল এক্ট ২০১৩ হায়বা অসিদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আর ওফিসকী ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং দাইরেক্তোরেট ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স মণিপুরনা খুৎশমনা শিনবনি।

থৌবাল (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, থৌবাল য়ুনিতনা শিন্দুনা টি.বি. লায়নাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অসিনা কোনবা মফমদা লৈরিবা আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং শরুক য়াখি।

থৌবাল-২ (এল)ঃ    মণিপুর ষ্টেট ইনফোর্মেসন টেকোলোজি সোসাইতিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেকোলোজি ইনোভেসন হব ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চখুগদবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ নোলেজ প্রোগ্রামগী ৱার্কসোপ অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংদা লৈবা আই.আর.দি.এস.ও ট্রেনিং সেন্তরদা

হৌদোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ এন্দ আইদিয়েসন, বিজিনেস মোদেল এন্দ মেক্কর রিছার্স হায়বা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা টেকিকেল সেসনসু পাঙথোকখি।

লন্বী (এল)ঃ ক্যামগৈ পল অহনবী থোং শাবা লোইরবসু থোং অসিদগী মেইন রোড তারকপা লন্বীগী শরুক অসি নিংথিনা শেমজিনবীদবনা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া তোইনা থোক্লে। লন্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা পিছ এন্দ ইন্তিগ্রিতি কমিতি ক্যামগৈ অমদি ওল ক্যামগৈ অপুনবা নুপী লুপনা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লি।

দ্রাইভ (এল)ঃ মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং প্রজা হায়র সেকেন্দরি স্কুল লমশাংগী স্কুল ওথোরিতিগা লোয়ননা স্কুল অসিগী অকোইবদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী দ্রাইভ অমা ঙসি চথখ্রে। দ্রাইভ অসি স্কুল অসিগী অকোইবদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবা থিংনবা, দুকান্দারশিংদা মহৈ তল্লিবা অঙাংশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োলহন্দনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

বান্দে মাতরম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা নিংখা তম্বগী চংশিল্লকপা খোঙজংদা বন্দে মাতরমগী মন্ত্রনা মীয়ামদা থৌনা অমদি শক্তি পীবগা লোয়ননা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবগী ৱাখল্লোন পোকহনখি।

ৱাফম অসি ঙসি জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগা মরী লৈননা লোক সভাদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। শ্রী মোদিনা হায়- শেংলবা বন্দে মাতরমবু নিংশিংবা ফংবা অসিমক লৈবাক মীয়াম অমসুং সভাগী মীহুৎশিংগী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিঙাই ওইবা মীকুপ অমনি। মহাকা হায়- জাতিগী ঈশৈ অসিনা চহি ১৫০ শুরকপা হায়বসি হৌখিবা মতম অদুগী পুৱারী অমসুং মায় পাকখিবা মীকুপ কয়া

নৌহৌননা নিংশিংনবগী খুদোংচাবা অমনি। জাতিগী ঈশৈ অসিনা লৈবাক অসিব ইং ১৯৪৭ দা নীংখা তম্বা পুরকপদা নত্তনা ঈশৈ অসিনা লৈবাক মীয়াম অমদি লৈবাক অসিগীদমক শিবা কিদনা লাম্হেংনরম্বা কয়াগী মঙলান মঙফাওনহনবা ঙমহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঈশৈ অসি লৈবাক অসিবু নীংখা তম্বা পুরকবগী মন্ত্র অমা ওইবতা নত্তনা য়েকবগী মখুৎতগী লৈবাক অসিবু কন্নবগীদমক হৌখিবা অরোনবা লান অমনি। মহাকা হায়- জাতিগী ঈশৈ অসি ইং ১৮৭৫ দা বৃটিশ সরকারনা পায়খৎলকপা থৌশিল থৌরাং কয়াগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা বঙ্কিমচন্দ্র চেত্তরজিনা ইখিবনি ।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নমফানা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নেরোকা এফ.সিনা ইলিট এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ এস.এস.সি সেক্তা গ্রাউন্দ চথুরিবা ৩ শুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সাউর্দন স্পোর্তিং য়ুনিয়ন্না ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সিনা রাইজিং এথলেতিক য়ুনিয়ন (রাউ)বু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ দামজোল ৱাই.সিনা কার্গিল ব্রেভ হার্টস মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

ঙসি চান্দেলগী স্পোর্ট কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দামজোল ৱাই.সিনা নারিংখুব ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

পোলো ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা সেকেন্দ দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন্স পোলো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা চীংখৈ হুনবা পোলোক ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা- অরবিন্দ পোলো ক্লবনা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-২ দা অমসুং লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবনা এ.আর পোলো টিম-বিবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকা ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা ওস্কার পাউনা বজারবু রন ৬৩ দা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা- এস.এস.য়ু শিংজমৈ-ককৱানা থাউ থাংমৈবন্দবু রন ২৯ দা থোইখে।

ক্রিকেট ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চেম্প খাগেমপল্লিনা আর.এন.ই.এফ (মিকা) ময়াংইম্ফালবু রন ৫ দা থোইখ্রে।

হোক্কিঃ ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমনা সাউথ আফ্রিকাবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। মেটচ অহুম শান্নগদবা সেরিজ অসিগী ঙরাং নুমিদাং কেপ তাউনগী স্তেলিন বোচতা শান্নখিবা সেরিজ অহুমগী অহানবা মেটচতা ভারতনা য়ুম্মু সাউথ আফ্রিকাবু মাইথিবা পীরমখিবনি। সেরিজ অসিগী অনিশুবা মেটচ কেপ তাউনগী হরতলেভালে স্তেদিয়মদা ভারতকী পুংফমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ মখায়দা শান্নগনি।

------